# মহাকবি অঙাংহলগী ১২৬শুবা কুমওনগা মরী লৈননা কখোকচবা

ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম

**কুমজা ১৮৯১**গী খোংজোম লান্দা মণিপুরগী নীংতম্বগী নুমিৎ এপ্রিল ১৫, ১৮৯১দা লোইরে। ঙসিগী মীরোলসিনা মহাকবি অমগী মিংথোল পীবীদুনা ইকায়খুম্নজরিবা হিজম অঙাংহল কুমজা ১৮৯২গী জুলাই ২৮দা পোকই। অদুগা কুমজা ১৯৪৩দা তাইবঙপাল থাদোকখি। মসি ঙম্নমক্কী মথক্তা হায়জরিবা তাঙ্ককসিদা বৃটিশ লৈঙাক্কী মখাদা ঐখোয়গী থৌনা ফরবা টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গালবু ফাঁসি তৌদুনা ফৈদাবুংদা হাৎখি। বৃটিশ লৈঙাক্কী চৈরাক অসিদা মণিপুর মীয়াম্না পেন্দবগী চৈনাখোল অমদি নুংনাংবা ফাওনরম্মী। অসিগুম্বা শুপ্নম লৈঙাকসিদা মতমদুগী মণিপুর মীয়ামগী থম্মোয়দা নীংঙমদবা কয়া ফুমদুনা লৈনরকখিবা তাঞ্জা অমনি।

অসিগুম্বা মীয়ামগী লুরবা মতাং কুমজা ১৮৯২দা হিজম অঙাংহল য়াম্না চল্লবা ইমুং অমদা পোকই। মহাকবি অঙাংহলগী পুন্সিগী পুৱারী য়াম্না কূপ্পা নৈনবীফম থোকই। মাগী খোরিরোলদা খুদোল তৌবীরম্বা খুদিংমক তোপ তোপ্পা শক্তম ঐখোয়না ময়েক শেংনা উবা ফংবীগনি। মণিপুরী খোরিরোলদা মহাক্না থন্বীরমখিবা খরসি নৈনবগী লোইবা নাইদ্রবা কয়ানি। লমদমসিগী মীওইপোক মরক্তগী তোমথিন ঙাল্লম্বা অতাঙবা অইবশিংগী মরক্তগী থোইদোক হেন্দোকপা মগুণ চেনবা মপারি অমবু খল্লু হায়রবদি হিজম অঙাংহল মহাকবি অসিনি হায়দবা ঙল্লোই। মদুম্না লমদমসিগী খোরিরোলবু পামজবশিংনা মঙোন্দা পীবিরিবা 'মহাকবি' হায়বসিদগী করি হেনবা লৈরিবগে হায়বা খন্দবা তাঞ্জাসু অমনি। মহাকবি অঙাংহলগী ১২৬শুবা কুমওন লাকপসিদা নীংশিং খুদোল খরদং তমজনীংবনি। মণিপুরী খোরিরোলগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লবা খুদোল তন্বীরল্লবা মহাকবিগী মফমদা মীয়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা থম্মোয় শেংনা কৎথোকফম থোকই। মহাকবিনা থন্বীরল্লিবা 'খম্বা থোইবী শৈরেং' মণিপুরী ঐখোয়গী তোপ তোপ্পা খোরিরোলগী লেমজনফম ওইবা খ্বাইদগী চাউথোকচরিবা অমনি। মসিমক্লা ইন্দিয়াগী মনুংদা তোপ তোপ্পা শক্তম অমসু কঞ্জনবগী পান্দমনি। মসিমক্লা অঙাংহলগী মফম কঞ্জবগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা লাইরিক 'শিঙেল ইন্দু', 'য়াইথিংকোনু', 'ইবেম্মা', 'জহেরা', 'পোক্তবী', 'থম্বাল' ইরমখি মণিপুরী খোরিরোলগী তোঙান তোঙানবা মখলগী খূৎইনা মণিপুরী খোরিরোলদা। থন্বীরল্লিবসি অইবগী তমজনীংঙাই ওইরবা খুদোলনি। মসিমক ঙসিগী চাওখৎলবা চকসিগী সাহিত্য একাদেমিনচিংবা মখল মথেলগী মনা মথুম ফংলল্লবনি। মখা তানসু মীয়াম্না হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি। ঙসিদি মণিপুরী খোরিরোলগী লমদা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদগী করিসু হন্থদনা লৈরে। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা খোরিরোলগী লূপ কয়ানা চহীগী লেপ্তুনা খোরিরোলগী মনা মথুম পীবিদুনা অইবশিং য়োকখৎপগী থৌনা হাপ্লিবসিমক অতৈ ষ্টেটতা লৈরমদৌবা মান্দে। অদুবু মহাকবিগী পুন্সিদা খরদং থন্বীরল্লিবশিংগী খূৎইদা বৃটিশনা খুদুম চনখ্রবগী তুংদা বর্ম্মাগী চৎনবীনা পুন্দুনা মখল মখা থাজ-থাজদ্রবা থৌদোক ৱাতোক কয়াবু মহাকবিনা ময়েক শেংনা মাগী লাইরিক্তা ফোঙদোক্তুনা মপান নাইদ্রবা থিংঙমদ্রবা কয়া ময়েক শেংনা ইরম্মী। মহাক্কী 'জহেরা' উপন্যাস হেন্দোক্লা নৈনবগী মথৌ লৈতবা নত্তে। মীওইবা ফুরুপকী মরক্তা কাঙলূপ-ফুরুপ, লাইনীংগী চৎনবী পল চাউনা লৈজরবসু নুংশিনবা হায়বসিদি অথিংবা থম্বা য়াদে হায়বা ফজনা ইরম্মী মহাকবি অঙাংহলনা। মতমদুগী অমাং অশেং, কাঙলূপ-ফুরুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা মীয়ামগী নুংগী ইহুল খঙনা মহাক্কী 'জহেরা' উপন্যাসতা ফোঙদোকই। তশেংনমক 'জহেরা' মহাকবি অঙাংহলনা মীওইবা ফুরুপকী মরক্তা লৈনরিবা নুংশিনবা হায়বসি অথিংবা লৈতনা মকা লাম্না মতমদুগী লাইনীংগী মরক্তা চেৎলবা নুংশিববু মীয়ামদা পাউদম ওইনা থল্লম্বনি। মতমদুগী বর্ম্মা সভাগী কল্লবা চৎনবী গৌড়িয়া ধর্ম্মগী চেৎলবা লিপুন মসি ঙম্নমক্কী মথক্তা হিন্দু মুসলমান অনীগী কল্লবা মতমদুগী মীয়ামদা নুংশিবগী ময়েক শেংলবা চেৎলবা থম্মোয়গী নুংগী ঈচেলবু মশক খঙনা খঙনা ফুরুপ অনীগী মরক্তা চেল্লিবা ঈচেল অথিংবা কয়াবু লৌখৎলল্লিবা নুংশিবা হায়বসি কদাই য়ৌনা, কদাই ফাওবা কখোক্লবা ঙম্বগে হায়বসি মহাক্কী 'জহেরা' উপন্যাসতা ফজনা উৎলম্মী। মসিমক মহাকবি অঙাংহলগী হেন্দোকপা থৌনা অমনি হায়দবা ঙল্লোই। মসি ঙম্নমক্কী মথক্তা কলম পায়দুনা অইবশিংনা ঈচং থৌনা ফোঙদোকপা য়াই হায়বসি মতমদুগী ধর্ম্মগী কল্লবা পঞ্জাউবু নমখায়রদুনা ইরম্বা জহেরা উপন্যাসকী মশক থোকপা মচা খায়না ময়েক শেংনা পাউদল্লবদুনি। নুংশিনবগী মরক্তা কাঙলূপ ফুরুপকী লাইনীংগী খেন্নবনা অথিংবা লৈত্রবা মনীং তম্বা কয়াবু মনুং হঞ্জিন্না মচা খায়না পাউজেল্লম্বনি। মসি পূম্নমক 'জহেরা' উপন্যাসতা ফজনা উৎলি।

মপূং ওইনা 'জহেরা' ইবা মতমদুদা হিন্দুগী কল্লবা ধর্ম্মগী মীংদা ওৎপা, অমাং-অশেংগী কল্লবা ঈহৌ, মীনা মীবু মাংই-শেংই হায়বগীদমক ইন্থোকপা, শিরবা মীবু মাংই হায়বগীদমক পোৎলোইবা য়াদবগী চৎনবী, ৱাথোক কয়া থোরকপা কল্লবা মতম অমনি। মতাংসিদা নীংশিংমিন্নবা য়াবা অমনা নেতা হিজম ইরাবতনা চত্থরম্বা থেংনরকখিবা লুরবা পোলিটিক্সকী ঈহৌ কয়া মীয়াম্না ঙসি ফাওবা কাউনদনা লৈনরিবা ঙাক্তনি। অমাং-অশেংগীদমক কন্না লান্থেংনরকপগী পুৱারী মণিপুরীশিংনা খক কাউফম থোক্তে। করিগুম্বা মতাং খরদা ষ্টেট দরবারদা কেস ফাওবা থাঙ্গৎতুনা শোক্লখিবা মতমনি। অদুগুম্বা লুরবা তাঞ্জাদুদা মহাকবি অঙাংহলনা 'জহেরা' উপন্যাসতা উৎলিবা নুং পানগী ফজবা ঙমখৈ লৈতে। মীওইবা ফুরুপকী মনুংদা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা চত্থরল্লিবা হিন্দু অমদি মুসলিম অনীগী মরক্তা য়ানদবগী ঈহৌ লৈতবা নত্তে। হৌজিক ফাওবা হিন্দু মুসলিম অমদি অতৈ অতৈ ফুরুপকী ঈহৌ হেন্না হেন্না কনশিল্লকই।

মহাকবি হিজম অঙাংহলগী 'জহেরা' দা নুংশিনবগী মশক ময়েক লানা, মপূং ফানা তরু-তরুনা উৎলি। জহেরাগী শক্তম থারকপদা অপাবশিংসু হেক্তা ঙাওহনবা ঙম্বা তোপ তোপ্পা মগুণ অমনি। তশেংনমকসু কুঞ্জোসু জহেরাগী শক্তমদা ঙাওদনীংঙাই লৈতে। উপন্যাস অসিগী হেরো ওইরিবা কুঞ্জোদা নত্তনা জহেরা উপন্যাস পারিবা অপাবশিং ঙাওহনবা ঙল্লবা মহাকবিগী থোইদোক হেন্দোকপা, তোমথিল ওইরবা অইবা অঙাংহলগী মগুণ ঙক্তবা খক ঙল্লোই। মসি ঙম্মমক্কী মথক্তা মতমদুগী বর্ম্মা সভাগী য়ানদবা লৈরবসু কুঞ্জোনা জহেরাগা নুংশি ৱাইথুংনবগীদমক মখল মথেলগী ৱাখল খনবা হায়বসি মশানা তাজরবা ৱাফমনি। মতাং খরদা কুঞ্জোসু কল্লবা ধর্ম্মগী চৎনবীনা নীংবা কায়রকই। মসিগী মথক্তা জহেরানা মীতৈগী চৎনবীনা পুনশিল্লকপা হায়বসিসু খুন্নাইদা কল্লবা ইথিল পীশিল্লকপগুম্বনি। মীতৈগী লাইবক্কী চন্দন, শুমাং ময়ায়দা তুলসি পাম্বী থাদুনা তরু-তরুবা থবক মপান থোক্লা পায়খৎলকপদা মীওই কয়াগী থম্মোয়বু খুদুম চনবা ঙমদনীংঙাই লৈতে। জহেরানা বৃন্দাদেবীবু খুরুমজদুনা কুঞ্জোগী মিৎমাংদা ময়েক শেংনা উহল্লবদা কুঞ্জোসু হেন্না হেন্না মখৌ লাংবগুম থোরকই। জহেরানা কুঞ্জোবু নুংশিনরুবগীদমক মীনোক মৈশা কয়া মায়োক্লখি। মসি ঙম্নমক্কী মথক্তা তোম্বা মিয়া অমদি ফতিমা অনীগী ফত্ত-শরৌ লাংনা হেন্না অৱাবা মায়োক্লখি। মখোয়নিগী শরৌ লাংদগী থৈদোক্লবা 'ঐদি য়ূম পাল্লরোই' হায়বা ফাওবা মকা লাম্না ফোঙদোকখি।

জহেরাগী নুংগী খোন্থাং হেন্না কনশিল্লকই। মতাং অমদা কৃষ্ণ জর্ম্ম নুমিৎ অমদা জহেরানা লাইবক্তা চন্দন থিন্দুনা ইবেমচাগা লোয়ননা মীয়াম মরক্তা কৈরোই লৈকায় লান্না থোরকপা চম্না লায়না খন্দোকপা য়াদে। মহাক্কী থম্মোয়গী অশেংবা নুংশিবা মপান থোরকই। নুংগী খোন্থাং হেন্না কনশিল্লকই। মসিগীসু মথক্তা মীতৈগী লোনচৎ হেন্না পামজরকপা, মুসলিমশিংনা ষণ হাৎলগা চাবনি, মৈতৈনা ষণবু ইরাৎচবনি।

জহেরানা তশেংনমক কুঞ্জোবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবসি সনানা মৈনুংদা চঙলগা হেন্না হেন্না ফজরকপগুম জহেরাগী পুন্সিদা কুঞ্জোবু নুংশিবা মশক হেন্না মপান থোরকখি। কুঞ্জোনসু জহেরাগী থম্মোয় মশক খঙলকই। জহেরানা খ্বাইদগী পামজবসি কুঞ্জোনা মঙোন্দা চৎসি হায়বা ৱাহৈসিনি। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা মহাক্কী পুন্সিবু মুসলমানশিংগী মরক্তা তিনখিগদ্রা মীপাইজবদুনি। মখোয় অনী পূন্না নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা পামজখি। জহেরানা কুঞ্জোগীদমক থম্মোয় শেংনা কখোককখি। মরম অদুনা কাঙলূপ-ফুরুপকী খেন্নবা লৈতনা মফম অমদা মখোয় অনী চৎমিন্নখ্রগে ফাওবা খনজখি। অদুম ওইনমক মতমদুগী ধর্ম্মগী কল্লবা চৎনবী, চৈরাকপু খল্লুরগা হেন্না হেন্না পাঙ্গল থৌনা থোকপা ঙল্লক্তবা মসিমক্লা মরম ওইরগা মহাকবিনা ইবা থাজদনা নমদুনা কলম মচিন থৈদোকখিবরা হায়বসিদি মনুং হুৎনা কূপ্পা নৈননীংঙাইনি।

মতুং তারকপা অরোইবা ওইনা জহেরাদি নুংশিবগীদমক পূম্নমক কখোকপদা করিসু নাচুংদনা খনখিবী তোপ তোপ্পা ফিদমনীংঙাই ওইবী অমনি। মতমদুগী ফুরুপ কয়াগী খুরৌ কয়াবু নমখায়দুনা নুংশিবগীদমক মফম, ধর্ম্মগী খেন্নবা, কাঙলূপকী চৎনবী লৈফম থোক্তে হায়বা থাজনা মকা লাম্না ফোঙদোকই। মসিগী মথক্তা জহেরা নুপী অমা ওইনা পোক্লুবগী খাঙমদবা অৱা মৈশা মশীং খঙদনা খাঙলক্লবীনি। নুংশিবগীদমক তশেংনা কখোক্লবী মহাকবি অঙাংহলগী মচিন থৌরবা কলমদগী থোরকপা জহেরাগী পুন্সিবু ঙসিগী মালেমদা হিংলিবশিংনা কৈদৌনুংদা কাউফম থোক্তে। মহাকবি অঙাংহলগী জহেরা উপন্যাসতা কুঞ্জোনা মাগী নুংশিজরবী জহেরাবু থাঙনা থিন্দুনা হাৎপসিমক অপাবশিং অমদি মহাকবিসু পেল্লমগনি নীংদে। মসিমক্লা জহেরা উপন্যাস পারুবদা পেন্দবা, নুংনাংবা অমদি মহাকবিনা মীয়ামদা নীংঙমদবা অমা পীরম্বসিনা হেন্না হেন্না খন্থহন্নবগী মশক অমসু পীরম্মী। পেনবা নাইদবা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী চৎনবীনি। অপেনবা ওইরবদি লাইথোকহনবা য়াই। অদুবু মহাকবিনা য়াম্না থাজদনা কুঞ্জো মশামক্লা জহেরাগী পুন্সিবু পীখম্নহনবদি মহাকবি অঙাংহলনা অপাবশিংদা পীরম্বা খাঙমদবা চৈনা মখল অমনি।



# নোংমদি শোয়রোই

অমরজিৎ কে ঐচ

**ইপা-ইপূশিংদুনা** থৱায়না পোন্থা পীদুনা থন্বীরম্বা ঐখোয়গী লমদম অসিবু ঙাকপা শেনবা হায়বসি চাদা নাওদা ওইরিবা ঐখোয়গী ইথৌদাংনি হায়বসি য়ু এনদা ৱাকৎলুরসু মখোয়না শোয়দনা তাবীগনি হায়না খল্লি। থৌনা ফবা ফোরফার্দরশিংদুনা তুংগী লাক্কদৌরিবা ইচা ইশুশিং অদুগীনি হায়দুনা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা থন্বীরম্বা লমদম অসি ওন্নথোকপগা মচেৎ মচেৎ পীথোকখিবগা, মচেৎ মচেৎ থুগাইনবা হোৎনবগা ময়াম অসি উবদা লাইওইখ্রবা ইপা ইপূশিং অদুগী মথম্মোয়দুদা পেল্লমগদ্রা। অদুগুম্লবা থৌনা ফবা ফোরফাদরশিং অদুগী মথৌনাদু উবদা কুমজা ১৯৪৯দা মর্জর এগ্রীমেন্ট তৌদুনা লমদমসি ইন্দিয়াদা নমদুনা পুলহনখিবনি হায়বসি পুৱারীনা লেংদবা খুদম চাংদম ওইদুনা লৈরি। অদুনা মতম অসুক কুইবা অসি ইপা ইপূশিং অদুনা ইন্দিয়াদা পুল্লম্বগীদমক লৈহৌরিবা ঐখোয়না মদুগী থৌগল্লোন উৎতুনা হৌজিক ফাওবা ইন্দিয়াদা পুন্দুনা লৈরি। ঐখোয় কনাগীসু মীখা পোন্দবা নীং তম্বা লমদম অমা ওইজরম্বনি। হৌজিক ইন্দিয়াদা পুল্লি, ইন্দিয়ানা ষ্টেট অসিদা তৌরল্লিবা, য়েংলল্লিবা মীৎয়েং, ৱাখল্লোল অমদি মখোয়গী থৌদৌ অসিনা ঙসি ঐখোয়না ইশাগী নীংতম্বা হঞ্জিনজরগে হায়রকপা তারগসু মদু ইন্দিয়ানা হায়হনবনি হায়না লৌগনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুর নেসন অসিদা য়েংলিবা অমদি শিল্লিবা থৌশিল পূম্নমক লমদম অসিগী মীয়াম্না পামদবা ঙাক্তা ওইদুনা লৈরি। অতৈ অতৈগী ৱা নত্তনা ঙমখৈ কায়রকপা অসিদি তশেংনা মণিপুর মীয়াম য়ানীংদে। ইন্দিয়াদা পুল্লুই হায়দুনা মণিপুরগী পীকখ্রবা লম অসিতা শোক্লবা হোৎনরকপা অসিনা ঐখোয়না ইন্দিয়াদা পুন্নীংদ্রে হায়বা তাবনি। ঐখোয়গী ইপোৎ ইরন্না অসুম অসুম ময়েং তাহল্লগা ইন্দিয়া পূম্বা নুংঙাইমিন্নসি হায়বা কনানা য়াগনি। কুমজা ১৯৫৩গী মার্চ ২৮দা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুনা মণিপুরদা লাক্লল্লগা নোং হেক ঙানবগা বর্ম্মাগী প্রাইম মিনিষ্টর উ-নু অমুক লাক্লম্মী হায়। অদুগী মতুং বর্ম্মাগী মনুংদা লৈবা অন্দমান নিকোবর ঈথৎপুনা ইন্দিয়ানা লৌবা, মণিপুরগী কবো ভেল্লিবুনা বর্ম্মাদা উশিন ওইনা ওন্নদুনা পীথোকখিবনি। মদুদা ইন্দিয়াগীদি মাঙজবা করিসু লৈখিদে, মাঙজরিবদি মণিপুরখক্তনি। লাই ওইখ্রবা ইপা ইপূশিং অদুনা ঙাক্তুনা থন্বীরম্বা লম ইন্দিয়াদা পুল্লুবদগী ইন্দিয়ানা কুসি তৌবা হৌখিবনি।

হৌজিকসু মণিপুরগী ঙমখৈদা য়ুংলিবা ক্বাথা ভিলেজগী বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ ম্যান্মারগা কন্না মুক্ত দুনা চয়েৎনবা ফীভম অমদা লৈরি। ইশাগী ইন্টরনেসনল বাউন্দরি অমবু চয়েৎনদুনা লৈরিবা অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না ঙসিফাওবা অরেপ্পা অমা লমদমসিগী মীয়ামদা ময়েক শেংহনবীদবা অসি করি করম্বা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন লৈবগীনো। বাউন্দরি ইস্যু অসি মতম কুইরে, চয়েৎনবা ফীভম অমদা লৈরিবসি। অদুনা চহী ১৫ লৈবাক ঙাক্লম্বা কোংগ্রেসনা পাল্লিঙৈদগী হৌনা বাউন্দরিগী চয়েৎনবা লৈখিবদগী বোর্দর ফেন্সিংগী থবক লেপখিবনি। হৌজিক বি জে পিনা পানবা লৈঙাক অমা লাকখ্রে হৌজিক খক্তদা নৌনা থোক্লকপা ইস্যু নত্তে। ইন্দিয়াগী লৈঙাক অমদি লমদম অসিগী লৈঙাক হান্নগী কোংগ্রেসপু ওইরো, হৌজিক্কী বি জে পিবু ওইরো মীয়াম অমত্তা শান্তি লৈহন্দ্রি কুইরে, মতম শাংলে তংদু লৈতানা হিংবা পুন্সি মরেল ওইদবা লমদমসি।

মসিগী মতুং মণিপুরগী নাগা তাবা লম মখৈ পূনগদবনি হায়বা কাঙবু অমা থোরকখিবনি। মখোয়না নীং তম্বা তাঞ্জবা ঐখোয়না থিংদে অদুবু মণিপুর কায়বগী ৱাফম য়াওরক্লবদি য়ারোই হায়না লমদম অসিদা মীশি মীনা কয়া অমা থোকখিবনি। লালহৌবনা লাল হৌরিসি লমদমসিগী নীংতম্বা তানবগীনি। হৌজিক ফাওবা থোক্লিবা অচৌবা ইস্যু খুদিংমক মণিপুরগী লম কায়নবা, থুগাইনবা অমদি য়েলহৌমী মণিপুরীশিংবু মুখৎনবা শিনবা ইস্যু কয়া অমা য়াওরি। সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬কী ৱাথোক অরাইবা নত্তে। ইন্দিয়ানা শিল্লিবা থৌশিল অমদি ষ্টেট অসিদা ওইরল্লিবা ফীভম কয়া অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না করি করম্বা ফনবা থবক লৌখৎপীরবগে হংনীংবা ৱাহংনি। মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরল্লিবা, লমদম অসিগী ইশাগী ইন্টরনেসনল বাউন্দরিগী ফীভম কায়রল্লিবা, লমদম অসিগী য়েলহৌমী মুখৎনবা মখল কয়াগী লাল্লোং শিল্লল্লিবা, ইশানা ইশাগী রাইট, কলচর, কষ্টম ঙাকচনবগী ৱাফম্মুনা মীরাইবীদুনা থন্বীবা কয়া অসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগীদমক্তা করি তৌবিরিবগে হায়বা ৱাহং অমা লাক্লি।

লোয়ননা লমদম অসিগী লাইরিক লাইশু হৈরবা মহৈরোয় কয়াগী অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফম ওইরিবা এম য়ুগী ভি সী শিনবগী ৱাথোক অসি ফাওবা লোইশিনবা ঙমদ্রি। মখোয়না ষ্টেট অসিগীদমক খনবীবা ওইরগদি মণিপুরগী কায়থরল্লিবা জিওগ্রাফিকেল ফিগর অমদি মাঙথরল্লিবা খুন্নাই অসিগী থবক খুদিংমক লৌখৎপীবগী মথৌ তাদব্রা। ইন্দিয়ানা ষ্টেট অসিগীদমক খনবীবা অমদি মান্নবা মীৎয়েং য়েংবীবা ওইরগদি লমদম অসিদা মৈ হৌরিবা ইস্যু খুদিংমক নহান্না লোইশিন্নবা শিনবীফম থোকপনি। এম য়ুগী ৱাথোক থা অনী শুগদৌরে, মহৈরোয় মাঙবা হায়বসি লমদম অসিগীনি ইন্দিয়াগী নত্তে। সেন্তরনা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিং অসিবু খনবিবা ওইরগদি মহৈরোয়শিংনা পামদ্রে হায়রিবা ওজাদু মমা মপা অমা ওইনা মচাগী অপান্থদু তৌবিগদবা নৎত্রা। অদুগী মহুত্তা ভি সী শিন্দোকপগী ইনক্বারি তৌনবা ৱাফম লাকপসিদি ষ্টেট অসিখক্তা নত্তনা মহৈরোয় খুন্নাই অসিবুসু লুম্না লৌবিদে হায়না লৌবা য়াই। মতম কুইনা ঈরাং হৌহন্দুনা মহৈরোয়শিং মাঙহল্লিবসি সেন্তরনা লমদম অসিদা য়েংলিবা মীৎয়েংদু মপান থোরকপনি। মহৈরোয় কম্যুনিতি অমদি এম য়ু কম্যুনিতি অমদি লমদম অসিগী মীয়াম খুদিংমক্কী পুন্সিদগী এ পি পান্দেগী পুন্সিনা হেন্না মরু ওই হায়বনি।

হৌজিক ষ্টেট অমগী খ্বাইদগী মরু ওইবা হায়রগদি ঙমখৈ কায়হন্দবা, হকচাং ফনা থম্নবা হোৎনবা অমদি তুংগী য়ূম্বীরেল মহৈরোয় নহাশিং অসিবু শেন্বীবা অসিনি। অদুবু হৌজিক ঐখোয়গীদি কদাই ঙমখৈগী ৱাথোক থোক্লে, সেন্তরনা চলাইরিবা হেলথ সেক্টর রিমস হৌজিক দিভলপমেন্ট ঙমদ্রে, মতম শাংলে রিগ্যুলর দিরেক্টর হাপ্তবা। লমদমসিগী মীয়াম্না পাল্লিবসি লৈকং থোং ১০০ শাবা, স্মার্ট সিটি ১০০ শেমগৎপা, স্কাই ৱে কোকথোং অমা প্লান তৌবদু নত্তে। খ্বাইদগী মরুওইরিবা সেক্টরশিং অসিবু নিংথিনা থন্বীদবা অমদি চরাংনবা ফীভম অমদা লৈরিবা অসি শান্তি ওইনা লোইশিনবদুনি মীয়াম্না পাল্লিবসি। লমদম অসিদা বি জে পিনা পানবা লৈঙাক অমা ওইনবা হোৎনবদা সেন্তরনা লৌখিবা রোল অদুমক হায়রিবা ইস্যুশিং অসিদা এপ্লাই তৌবীরবদি বি জে পিগী থাক অসি অতিয়া পক্লা ৱাংলোইদ্রা।

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লুবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন খুদিংমক মণিপুরদসু চৎনবা তাবনি। অদুনা ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোইশিং মণিপুরী নত্তে, মীতোপ ঙাক্তনি অদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লমদমসিগী লৈঙাকসু মখোয়না তৌ হায়বা অদুতং তৌবা তাবনি। অদুনা লমদম অসিদা এম য়ুগী ভি সী ওইবা য়াবা মী কোকথোং অমা লৈরগসু মীতোপনা ভি সী ওইহনবা হায়বসি মশানা তারবা ৱাফমনি। মণিপুরগী অৱাংবা পোষ্ট চীফ সেক্রেটরি ফাওবা মীতোপ্না ওইরি। অদুনা মীতোপ চঙলকপা থিংনবা শেল্লিবা আই এল পি বিলসিবু সেন্তরনা অয়াবা পীরক্তদ্রা হায়বা য়াম্না লুরি, লুফমসু থোকপনি। অদুনা লমদম অসিগী লৈঙাক পায়রিবা লৈঙাক্লোয়শিং অসিসু থৌনা লৈবা ইপা ইপূশিং অদুগী মচা মশু ঙাক্তনি, থৌনা লৈনা লৈঙাকপা অমা মথৌ তাদব্রা। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈজরসু লমদম অসিগী হৌখিবা অমদি হৌজিক্কী লৈঙাক্লা লমদম অসিগী ওইরিবা ইস্যু খুদিংমক অফবা মায়কৈ অমদা পুরক্লবা হোৎনবগী থৌনা লৈবিয়ু। হৌজিক বি জে পিনা লৈঙাক্লি সেন্তরদসু বি জে পিনি। বি জে পিনা লৈঙাক পায়রবদি কোকহনগনি হায়না ৱাশকপদা য়াওখিবশিংদুগী মনুংদা লমদম অসিদা ইরাং, বন্দ, ব্লোকেদ লৈহল্লোই হায়খিবনি। অদুনা হৌজিক লমদম অসিগী লৈঙাকলোইশিংনা উবিগদবা অমনা হৌজিক্কী ইস্যু অমদি লাক্কদবা ইস্যু করি করিনো হায়বা লমদমসিগী লাইরিক লাইশু মতিক চানা হৈরবা অখঙ অহৈ কয়া কৌদুনা কূপ্পা নৈনবীয়ু। হৌজিক মৈ চাল্লিবা মণিপুর কনসি হায়রগদি ইশাগী নীংতম্বা হঞ্জিনজরগে হায়বগী খোল্লাউ অমা লাউরক্লবা ষ্টেট অমদি সেন্তরনা শিনবীগনু। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লুবগী কান্নবা হায়ববু লৈঙাক্কী মীওই খরা, ফমজাউ পায়বা ওফিসর খরখক ক্রোরপতি ওইবা নত্তনা অতৈ লৈতে হায়না মীয়াম্না হায়নখিনি।

ঐখোয়গী ইরমদম অসিসু মতিক চাবা লাইরিক লাইশু নীংথিনা খঙবা ইন্টিলেকচুএল ব্যুরোক্রেটস পার্সন, রিছোর্স পার্সন, হিষ্টোরিয়ন্স, ফিলোসোফর কয়া অমা মরাং কায়না লৈরবা লমদম অমনি। হৌজিক ঐখোয় করি তৌসিগে হায়বা খন্নবগী মতম অদু লাক্লে। ঐখোয়গী লৈজরম্বা ইন্টরনেসনল বাউন্দরি অমদি জিওগ্রাফিকেল ফিগর, আইদেন্টিটি কলচরদুগা হৌজিক্কী লৈরিবা ফীভম অসিগা খেন্নবা অদু নৈনদুনা য়েংবদা মাঙথরল্লিবা খুন্নাই অসিগী ওইরল্লিবা কয়া অসি পুথোকপীদুনা মীয়াম্বু লমজিং লমতাক পীবিদুনা ঐখোয় পূন্না কন্নাদা কদাইদা ৱাকৎসিগে হায়বা শাগৎপা অমা মথৌ তারে। লমদম অসি কান্নবা অমদি মণিপুরীশিং মুৎখিদনবা ঐখোয়গী পুৱারী পুথোক্তুনা অমদি লমদম অসিগী জিওগ্রাফিকেল ফিগর, কলচর, আইদেন্টিটি অদু পুথোক্তুনা লমদম অসিদা ইন্দিয়ানা মণিপুরদা চত্থরিবা থৌওং অসিগী ওইরল্লিবা ফীভম অসি সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসন খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা পুন্দুনা য়ু এন তান্না ৱাকৎলুনবা থৌরাং তৌবগী মতম থেংথরবনি। ষ্টেট অসি পীকচরসু ইস্যুদি য়াম্না য়াম্মী। মসিদা সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনশিংনা ইস্যু খুদিংগী ঈহৌ হৌদুনা মৈরা পায়বী ইমা ইবেল, মহৈরোয় খরনা ঈহৌ হৌরগা লমদম অসিগী ইস্যু লোইনা কোক্কদবা নত্তে। ইস্যু খুদিংগী, ইহৌ খুদিংগী মী শিবা লমদমনি অদুনা ইস্যু ময়াম অসিগী শিদৌরিবা মীসি মশীং কয়ানো। মমল য়াল্লবা থৱায়শিং অদুনা লৈখিদ্রবা মতুংদা পীগদৌরিবা মীংথোল লমলানবা, লমলানবী, অথৌবা, অথৌবীনা মশীং কয়ানো! চহী নৌরিবা লৈখিদ্রবা থৱায় কয়া অদুনা পাল্লিবসি তুৎ লাউবা মীংচৎসি নত্তে পাল্লিবদি তাল্লিবা দিমান্দদুনি। চারা নাম্মতা চারসু ইশাগী শক্তম, কলচর, আইদেন্টিটি ঙাক্তুনা হিংবা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনবীবনা তুংদা কান্নরক্কনি খল্লি। ইন্দিয়ানা হেক লৈঙাক্লিখৈ লমদম অসিগী মীয়াম অমদি মীহুৎ খুদিংমক্লা মখোয়গী খোঙ শোক্লা হিংহনবা হায়বসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অপাম্বনি। অদুনা পূম্নমকশিং অসিগী মচং ওইবা ইস্যু অমা হায়রগদি ঐখোয় ইশাগী নীংতম্বদু অমুক হঞ্জিনজরগে ইন্দিয়াদা পুল্লরোই হায়বা অসিনা পূম্নমক্কী খ্বাইদগী ফরবা ইস্যু অমনি হায়নীংই। মীয়াম পূম্নমক অমত্তা ওইনা খোল্লাউ অসি লাউহৌরসি লাই ওইখ্রবা ইপা ইপূশিং অদুগী তৌবীমল উৎপা ওইনা নৎত্রগদি মণিপুরদুবু কদাইনো, মণিপুরীনা কদাই চৎখ্রবা হায়বা ৱাহং অমা নোংমদি শোয়রোই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৬

১। মৈতৈ য়ূমশারোলদা ইঙ্খোল অমবু য়ূম্ফম কয়া থোক্লা খায়দোল্লগা য়ূম শাফম য়েংনৈ।
(ক) য়ূমশারোলদা য়ূম্ফম কয়া থোক্লা খায়দোকপগে?
(খ) য়ূম শাবা ফৈ হায়নরিবা নোংচুপ ময়ায় অসি করি য়ূম্ফম কৌবগে?

২। "শম্বলনা কোয়শিল্লগা নরন্নাই নুংঙাইনীংবা, উপাধী নম্বো পোরগা পূক্লিং থম্মোয়দদি নমথিবমখৈ মোৎপা-চাওখৎপগী ঈচাওনি হায়না লৌগনু।" পরেং অসি রাজকুমার সুরেন্দ্রজিৎকী লীলা মচা অমদগী লৌথোকপনি। লীলা মচাদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "হৌজিক্তি ঐগী থম্মোয়দা থৱায় য়াওদ্রে। থৱায়দু কদায়দা চৎখ্রে। থম্মোয়গা থৱায়গা পূনশিল্লু য়াদ্রে।" পরেংশিং অসিনা শ্রীবিরেনগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচাদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "নুপীদা নুপী ওইবীগী খোন্থোক্লি/...খূৎনা তপ্পা মেঙনা মোজা লোনবগী মওংনি/... তম তারবা তুরেল মচাগী ঈচেলনি।" ৱাহৈশিংসি সী ঐচ মনিহারনা অইবী অমবু হায়রম্বনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। কৈশাম ওমনাথনা হন্দোকখিবা তুলসীদাসকী লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।